"ঐগী পুন্সি ৱারীসি
ঐনা ইবা নংলমদ্রে
ওইবা অমা লৈরম্লে।" - কাংজম পদ্মকুমার

## শৈরেং

### 'তূমিন্না লৈগনু ৱারী শানৌ য়াম্না চাশিল্লু, থুনা ফনবা'

—এল চিত্র

লায়েংশঙদা পুখৎত্রিঙৈ নুংথিলদা
সিনা অরোইবা ৱারী ওইরবা
ঐ য়াম্না চিংনখি
থোক্কদবা মানখি করিনো অমা
তৌফম খঙখিদ্রে ঐখোয়
লৈখিদ্রে পান্থে অমত্তা
হায়জখি পূন্নমক্তা
মাবু পূক্নিং থৌগৎপীয়ু
পূন্নমক স্বিটস ওফ।
নঙনা হায়রম্মী কনাদা
অদুগা করিগী হায়দোক্লমদ্রিবা ঐঙোন্দা
খঙনা খঙনা নশাগী অনাবা
নঙনা খনখিবা ঐনা ৱাগনি
শোয়দনা লাক্কনি নঙবু উনবা
নৎত্রগা লাকসু লাক্লোইদবদা
নঙনা পূন্নমক ৱারৌখ্রবরা?

### চাক্লাম খোঙচৎ

—ডা. অকোইজম ইবোহল

নীংশিংলি ঙসিসু নুমিৎতো
মণিপুরগী পুৱারীগী লমায়দা
সনাগী ময়েক্না ইদুনা লৈখ্রবা
ওগষ্ট ২৭, ১৯৬৫ ইং
মহৈরোয় খুন্নাইনা হৌরক্তুনা
মতমদুগী লৈঙাকপু শীংনদুনা
চৎখিবা চাক্লাম খোঙচৎতো;
মীয়ানচাশিংগী থৌশিলনা মরম ওই
খূৎশেমগী চাক তাঙবা থোক্লক্লবদা
মহৈ মশীন তম্ববু তুংওইনরম
পুকচাক লাঞ্জংদা মাঙজিল থা
মহৈরোয়লক্সী অথোইবা লময়ানবা
চাউভল, প্রমোদিনি, নিলমনি, নবকুমার
নখোয়বু মতৌ করম্না কাউরসিগে?
ফিদম্নফম ওইরবা নখোয়গী ৱাখল্লোন
ফুদোকখিবা নথৌনা নরিংজেলদি
শীংথাবতনা ৱাৎতুনা লৈহৌরগনি
নুমিৎ, থা, থৱাননা লৈরিমখে
নখোয়না শিন্থখিবা শেংল ঈখেংগী
লমন তোনশিন্দুনা অসুম লৈহৌরনি
হৌরক কারক্লিবা তুংগী মীরোলশিংনা;
নখোয়না লমজিং লমতাকপীরম্বা লম্বীদুদা
হৈনা খোঙথাং তুংইঞ্জরক্কে
পাঙদ্রবা নচা ননাও ঐখোয়না
অচুম্বগীদমক লেপ্পা ঙম্বা ওইজগে
অকি তুজুং মচেৎ'মা য়াওদনা
কৎথোকপা ঙমজগে থৱায় মঙা
ইমা লৈবাক ইরমদম মণিপুরগীদমক্তা।

### ৱাখল

—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

মপোক অসিদা
থেংনদুনা উনরে ঙসিদি
পুন্সি হিদেন তাফম'সিদা
পূন্না চাক্তামিন্নদুনা
নহাক ঐহাক
মতম মানা পুরকপা
ঈচেল অসিদা তাওথরক্লিবা
হৈরাং লৈরাং কয়াবু
চিন্দিমমিন্নরদুনা।
কয়াদা নক্না
কয়াদা লাপ্পখ্রবনো
নুংশিদনা, নুংশিবা শারদুনা
মান্নদ্রবা ৱাখলনা
ইতিনফম হীদোন তাফম অদো
মচেৎ, মচেৎ চীংখাইনরি।
ধর্ম্মনা ঐখোয় মশেল
অমগা অমগা খাইদোক্লি
তাহৈ, য়েংহৈদবা
কয়া ঙাঙন-শক্লদুনা।

### থাজদনা ঙসিদি লাপনরে

—গাইত্রি শরাংথেম

ৱারীনি ঐখোয় অনীগী
থাজবনা শৈহৌ ওই,
চান্নবনা মপুং ওই,
পূন্সিদা খল্লুদবা থাজদবা
মিকুপ অদুদা থেংনখিবা
থাজদনা অয়ুক অমদা লাকখি,
চল্লখি নুংশিবগী পাউখোং,
খঞ্জখি ঐনা শাগৎখি মঙলান।
খল্লুদবা মিকুপ অমনা
ওইহনখি ঐহাক্কী ইরাল
মিকুপতুদা ঐহাক মায়থীখি
ইপাউসু হংলদ্রে মপাউসু ঙাইরুদ্রে
থাজদনা ঙসিদি লাপনরে।

### ওগষ্ট থা

—এম নিলকুমারি

ঙঙ্গান্নরবা নুমিৎকী মঙালনা
নোংলিক্কী ইপোমদা য়ৈবদা
থোকখিবনি
'চুমথাংগী মচু তরেৎ'
চাংদম্নসিরা? ওগষ্ট থাগী থাবুমগা
নৎত্রনে ওগষ্ট তরাহুমদোই
অথৌবশিংগী নীংশিংবা
ওগষ্ট তরামঙা - নিংতম্বনি হায়নবা
ওগষ্ট কুনতরেৎ - চেঙ পীয়ু চাক লামই
পাউখুমদি নোংমৈ গুলিগী দুং-দুং
মান্নবা খোঙচৎনি মান্নবা খোল্লাউনি
অতিয়া ফাওবা মমগুমই-ভৌরুনবা লৈচিলসু
তুম্পক তুম্পক অকি তুজুংবগুম
অমগা অমগা পুনশিন্নে
শংলেন ফিজোন্নরিবা
শংবান্নরবা চীংশাং পরেং, লৌবুক লম্মাং
চীং-পাৎ-তুরেল
য়াওদে মখোয়গী শরুক।
সহরগী ৱারীনি থৌনাগী পরিংনি
নুমিৎ তাবা নাইদ্রবা বৃটিশ সাসন মায়ওন্নখিবা
থেংনহৌদ্রবা কয়া নৌহৌননা মৈ ইক্লিব্রা?

### ইমা মণিপুর

—নরেশ লাইময়ূম

হে ইমা মণিপুর
নতম্বাক্তা চাউরকখিবনি
নুংশিবী ঐগী ইরমদম
ইমা নহাক্কীদমক করিগুম্বা অমা তৌরমদনা
লোইবা তারবরা খল্লুবদা
থম্মোয়সে মীপাইবনা লৈঙমদরে
নুংশিবী ইমা মণিপুর
য়েংদুনা লৈবা তারবরা
মীগী মচেং চারুবগী
ইমাংদা ইমা নহাকপু
মতুপ কয়া থোক্না ককথৎলগা য়েন্নরবসু
অসুমক য়েংলগা লেনবা তারবরা
হন্দক্কী মপোক অসিবু
নীংঙমখিদ্রেদকো মৈতে পোকপী ইমা-ও।


### মীওৎপী-মীনুংখাং

—সমোম রঘুমনি

মীওৎপী নঙনা লাকপদা
থোঙ লোন্নরদুনা খাঙলে
কনা চঙহন্দে খঙলমক্তা
নাকলদগী হোৎচিল্লকই নঙনা।
নুমিৎ তরামরিনি খাঙলবসু
লৈকায় মীৱাদি অদুম মতাই
কনাসু হরাওনা কৌনীংদে মাবু
মনাক্তগী নাকোয়ননা চৎনৈ মঙোন্দগী।
নঙগা শক খঙনরু মীকুপ্তা
তোঙান্না থম্বীরে মীয়াম্না মাবু
নঙবু করম্বা শকলোন পুবিনো
মালেমদা করিগী লাকপনো?
নঙনা ওৎপসে ওকত্রিবরা
কয়াম ৱাৎলিবা পুখিদৌবা
মালেমসে লানগোই চল্লবদা নঙনা
ইরমদমসিদা য়ৌবীরক্তবা খল্লম্মী।
নঙনদি নিংঙাইদনা অসুম
চীংদসু তমদসু হেক্তা য়ৌরকই
সহর খুঙ্গং মীপাইনৈ
লৈকায় মথং মথং য়ৌরকই।
শাগৈ নাতৈ লান্দারক
য়ূমথোঙ পরেং লানলক্তুনা
নাক-য়েত্তা খুন্দারবদা
ইমুংদদি য়াওবীদবা শোনজৈ।
মীহুন কাঙনা চৈনা খাঙলিঙৈ
মথি ফোংলরে ইমুংমক্তদা
শোনজৈ ইথন্তা তূমিন তূমিন
ঐতদি শোকপীগনুকো মীওৎপী।

**মতম মতমগী ৱাখল**

# ভোটনা নাথৈরক্লিবা লাইচৎ




লাইচৎ ৱাহৈসি খর কুইনা শীজিন্নখিদৌরি। লাইচৎ লায়না অসিসু খর কুইনা লৈখিদৌরি। অখঙ অহৈনা তাকপীবনি। ঐখোয় হৌজিক লাইচৎসি হৈনরে, মরূপ ওইরে। মায়উপ (মাস্ক) উপ্পদা নিংসা ফুল্লি হৈনদে হায়রম্বা ইমা অশোনবী উপ্পদা হৈনরে। লাইচৎকী ঙাক্তা নত্তবদা থবক ইনখাং ইঞ্জোল শম্বল, লৈপাক শুবদা মায়উপ উপ্পসিনা লোক থুংদ্রে। অকে-অমৌ পামজবা নুপী ওইবীশিংসু, মচু-মমেন মায়শঙ কয়া শীজিন্নদ্রবসু য়ারে মাইকৈ অমরোমদা মায়উপ (মাস্ক) উপ্প ফনবু ফরে। মসিনা ঐখোয় য়ারব্রা? মিডিয়াগী খন্ন-নৈনবা তারুরগদি য়ানিংদ্রি। খন্ন-নৈনবসিসু হৌজিক্তি মাইওন হোংলি। হোংদবা য়াদে মখোয়দি মীয়ামদা মায় মিৎ পাঙহঞ্জবনি। গ্রহ অমনা মালেম পৃথিবীদা নকশিল্লকপগুম, ভোট হায়বা গ্রহ অমা ঐখোয়দা নকশিল্লক্লি। গ্রহ অমনা মালেম পৃথিবীদা থেংলগদি মালেম অসি শোক্কদৌরিবনি। মসিগীদমক থিজিন হুমজিল্লিবা সাইন্টিষ্টশিংনা ৱাখি, ঙাকথোক্লবা হোৎনবগী পাউ য়াম্না তারি। মিকুপ খূদিং নোংথক্তা পাক চাউরবা অতিয়াদা মখোয়গী পূক্নিং ৱাখল মিৎয়েং পূন্নমক থল্লগা লৈরি। সাইন্টিষ্টশিংনা নোংথক্কী ৱাখল তৌবগুম ইলেক্সন কম্মিসনগী ৱাখলসি ভোটতা মিৎয়েং য়েংলগা লৈ। ভোট নকশিল্লক্লে হায়রবনিনা ইলেক্সন কম্মিসন অমদি মরী লৈনবা পূন্নমক নোংথক্কী সাইন্টিষ্টশিংদগী হেন্না মথৌ চিনবা হেনগৎনরক্লি। মীপূম খুদিংমক হৌজিক ভোটকী গ্রহনা নকশিল্লকপসিদা মমাংগী লাইচৎসি খরা খরা নাথৈরকপা উরি। মতাং অসিদনি মিদিয়াগী খন্ন-নৈনবসু ভোটলোমদা মায় ওনশিল্লকই হায়জরিবসি। করিসু কায়দে মতাং মতাংগী খন্ন-নৈনবনি। রেডারনা নোং নুংশিৎকী ফিভম তাকপগুম্বনি।

অমুক্তা থেংনদ্রিবা মওংদা হন্দক নহারোল খরনা জেনেরেল ইলেক্সন অসিদা অনৌবা পারা অমা ওইনা পৈশা তিংদনা ভোট লেপ্পা মীয়ামগী মীহুৎওইবা হায়বা খোঙজং অমা চঙশিল্লকপসিদি থাগৎনিংঙি। ভেটরেন পোলিটিসিয়ান খরনসু ঙল্লিঙৈদা মখোয়না ভোট লেপ্পদা তৌনরকপা, মতম অমগী মচৎকা খেন্নরে হায়না ঙাঙবসু তাজখি। অহোংবদি য়াম্না লৈরগনি। হন্দক অহোংবা খরা লাক্লবগীদমক ভোটতা শেল তিংদনবা, শেলনা মীগী ভোট লৈবা য়োনবা তৌদনবা ৱাখল অমদা চোংথোকক্লিবা চাংয়েং অসি ফজৈ। ঐখোয় স্বাইগী কেবল নেটৱার্কশিংদা থোকপীরক্তুনা মীয়ামদা খঙহনবা হৌরকখ্রে। লম্বীদা পৈশা তারম্বদা খুল্লোইদবা মীদি য়াওদ্রি। পুকচেল শেংবা মীদি মরন্নাই পৈশা তিংখৈ চেফোঙদা পৈশা খুল্লে, মপুনা মরম চাবা ৱারোল হায়বিরগা লৌবীরবা য়াগনি হায়না ফোঙদোকপা মীসু লৈখি। মীওই খরখক্কী ৱানি। ভোটতা পৈশা পীবা লৌবা কনা অমত্তা উরোই। য়াউশংগী পৈশা মুনবদা মচানা লম্বী থৎলগা পৈশা নীবদা মমানা শেঙ্গাউ পায়রগা মচানা পৈশা মুনবা য়েংবা মমাসু য়াম্না লৈ। অঙাংদু খঙজবা নত্তে, পৈশাগী কান্নবা হেন্না খঙলিবদি মমাদুনি। মচানা পৈশা নিরুরগা মমাদা পীশিল্লিবনি। ঐখোয় উনরিবা ঙাক্তনি।

ইমুং অমদা মী কয়া লৈ হায়না খঙদোক্তুনা চেঙগী শকখঙচে পায়হল্লগা চেঙ য়েনবগুম, পৈশা য়েনবা হৈবা খোংমী লান্মী ভোট লেপ্পা মীওই খুদিংগী লৈ। মসি মীচম অমনা হেক্তা হৈরোই। হীরমসিদা হৈথোই শিংথোইবা মী লৈ। পৈশা পীবা য়াবা য়াদবা মীসু মখোয়না খঙলি। অসিগুম্বা মীওইসি ভোট কারক্লবা মীওইশিংগী তুংগী চেং চিনি য়েনবদসু মখোয়না ওইগল্লি। হন্দক্তি লাইচৎ অমা মমাংদগী লৈরক্লবনিনা ভোট লেপকদবা ভোটমীগা মীয়ামগা খঙনহনবগী ফজখ্রবা দ্রামাগী প্লোট থৌরাং অমসু ফংখ্রে। ইচম চম্না মীয়ামগী মতেঙ পাংলম্বদগী ভোট ওইনা লেপ্লগেদা হায়না খনবা মীওইসু য়াওরম্বা য়াই। মসি লাইচৎ অদুনা পীরকপা থৌনা অমনি। লাইচৎসিনা মী কয়া অমগী থৱায় লৌখ্রবসু মীওই খরদদি কান্নবা পীরি হায়বসি চুমগনি।

ভোট ময়াদা কেন্দিদেৎশিংনা ঙাঙবসি তাবদা য়াম্না নুংঙাই। রেডিওগী নুংথিলগী ড্রামা তাবগুম্বনি। ভোটকী ড্রামাগী পোৎচঙসি- লম্বী-থোং, মৈ-ঈশিং, হার (ইয়ুরিয়া), থবক ফংদবা লৈহন্দবা, লাইরবা কোকহনবা, হিংবগী পোৎলম, চেঙ চাক য়েনবা, শান্ন-খোৎনবা, পেনসন পীবা, ঙমখৈগী ৱাথোক, সভেন্ঠ পে .অসিনচিংবসিনা মরুওইবনি। ভোটকী মরমদা মিডিয়াদা খন্না নৈনবা তাবদা লৈপাকসিগী ফিভম মওং লোয়না উরগা খঙলগা ঙাঙবসি কয়া থেংনদে। মণিপুরগী ঙমখৈ, লম্মীৎ তুম্মীৎ, মহৌশা, চীং পাৎ তুরেল, খুন্দামিন্নরিবা, হিংমিন্নরিবা ময়ামসি উরগা ঙাঙবসু তাদে। মাগী মাগী ফিরাল অদুগী মচু অদুখক্তবু উরগা ঙাঙবা ওইরি। মসিনা মণিপুর পূম্বগী মহুৎশিল্লিক্কদৌরিবা মপী মপা, খুনবু, লম্পুপা ওইরক্কদৌরিবনি খনবদা খন্ন-নৈনবা অমত্তা লোইবা ফাওবা তাবা ঙমদবসু য়াওখি।

হন্দক চহী অনী অসিদা লাইচৎ অসিনা থোকহনখ্রিবা অৱা অনাশিং, মরুওইবা মশক নাইবা ওঝা, মী কয়া, মরূপ মপাং কয়া হিংথৎ থৎখ্রবনি। ঐখোয় ইকাও কাওথোক্লরি। হৌজিক অহুমশুবা চৈথেং, ঈথক অমা লাকখিগনি হায়দুনা পানরি। মহাভারতকী শোক্লখিবা লান্দা নুমিৎ তারক্লগদি লান শোক্লখিদে। নুমিদাং ৱাইরমদা লানশঙদা ঙাইহাক পোথানবগুম ময়াম পোথনবগী ৱানি লান্দি লোইদ্রি। নোংঙানবগদি হান্নগুম নৎত্রগা হান্নদগী হেন্না অকনবা লান মখা শোক্লগদৌরি। কোভিদকী লান লোইরে হায়না হৌজিকফাওবগী ওইনা লাওথোকত্রি। অহুমশুবা লাম্থেং অসিদনা অকনবা দ্রোণ গুরুগুম্বা কনা কনা তুগদৌরিবা হায়বসু ঙমদ্রি। লান লোইদ্রিবা মরম্না মহাভরত নৎত্রগা কলিঙ্গগী লানশঙদা পোথানরিঙৈদা লান্মীশিং তুমিন তুমিন্না লৈনখিবা নত্তে। হয়েংগী অনৌবা লাল্লোংগী খন্নরিবনি। হৌজিক শোক্লরিবা ঙসিগী লাম্থেং অসিদি ৱাখল অমা ইতা তাদে। অহল লমন্না ইহায় হায়নবা হিয়াং তান্নরিঙৈদা তুম্বাগী শেন থৌবা হায়দু মানবা ভোটকী গ্রহ অপাইবা অমা য়ৌশিল্লকপসিনা লাল্লোংসি করম্বা লানবন অমা অমুক ওইগদৌরিবনো খঙদ্রি। লানগী মরুওইবদি লাম্থোং শিনবনি। মৈতৈনা নীংতম্বা মাঙখিবসি লাম্থোং শীনবা শোয়খিবদগীনি। ঙল্লিঙৈগী মতম অমগী অহল লমন, লাই-গুরুশিংদি লাম্থোং নীংথিনা শিল্লগা লৈঙাকলকখি হায়বসি অরীবা পুৱারীগী লাইরিকশিংদগী খঙবা ঙম্মী। লীশাং শিংনা নীংখা তম্না পাল্লকপা ঐখোয়না নীংতম্বা মাঙখিবসি লাম্থোং শোয়খিবননি। ভোটনা ভোটনি লাইচৎনা লাইচৎনি হায়দুদা ৱারেপ তারক্কদবা মাল্লি। পৈশা তিংদনা ভোট লেপ্পবা পৈশা লৌদনা ভোট থাদবা ঙম্লগদি খ্বাইদগী অফবনি।

ভোটকী মতাংসি ঐগী ওইনদি উদগী তাবমুক পংলি। ভোট নৈনমীশিংনা হায়নবা অমখক তাখি। কেন্দিদেট য়াম্না চোংথোক্লিখৈ হান্নগী লেঙদনা লৈজবা পার্টি অদুনা কাগনি হায়নৈ। কেন্দিদেট অমমম্না লীশিং মঙা তরুক ফংনবদা কাগনি পানরি। কদায় ফাওবা চুমনা হোৎনরিবা অঙ্কনো খঙদে। অঙাং ওইরিঙৈ পরিক্ষা হল্লক্লগা নম্বর তিনশিঞ্জদুনা ইশা ইথন্তা পরিক্ষাদা খুল্লম্বা পাউখুমগী নম্বর পীজবদুগা মান্নব্রা কৈনোম তৌই। ইশানা পীজবা পরিক্ষাগী নম্বরসি ফংবা ঙম্নদে, শোয়গল্লি। কনাগুম্বা অমনা অমুক মী লীশিং তরা মঙা লৈবদা, লীশিং অহুম মরী ফংনরগা ভোটতা লীশিং অমা অনী হেল্লগা কারিবসি মায় পাকপা নত্তে। লীশিং তারা হেনবনা য়াদ্রি। ইকায়নিংঙাইনি হায়রি। থিওরিদা অচুম্বা ওইজরসু, প্রক্তিকেলদা য়াদ্রি। ভোট ময়াদা ঙাঙনবা, শান্নবা ৱারীসে মঙদা নিংথৌ ওইবগুম নুংঙাই হায়নৈ। মঙদা খ্বাইদগী নুংঙাইবদি পাইবনি। তাইবংদা মীনা পাইবা য়াদ্রবসু মঙদদি মীনা পাইবা ঙম্মী।

হৌজিক লাইচৎকা ইরোয়ননা ভোটসু পাংথোকলক্কদৌরি। খ্বাইদগী লুরিবসি মীওইবগী পূন্সিনি। পূন্সিগীদমক্তি ঐখোয় খল্লুবদা য়াম্না মীপাইনিংঙাই ওই। ইশানা খঙনা চেকশিঞ্জবা নত্তনা অতোপ্পা পান্থে লৈত্রে। শিবু শিরবা লৈকাইগী মংদসু তিনবা ফংদনা অদুম লোইখিগনি। চৎনবী, নাৎ হায়বা হৌজিক্কী ওইনা লৈত্রি। লৈঙাক্লা লাওথোকপা কাঙলোন, চৎনা পথাপ্তা নাৎসু ইনবা তারি। অরেপ্পা লৈতবা, করিনো খঙদবা পূন্সি অমদা ঐখোয় হিংলি। পূন্সিগীদমক ঐখোয় হিংবা তাই, হিংনবগীদমক ঐখোয় করিগুবা চৎনবা অমা ইনবা তারি।

- *মাখোনমনি মোংসাবা*

# রাগ দরবারী-১১০

**হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা**

পাউখুম ওইনা রুপ্পন বাবুনা মমিৎসু খৎতে অমদি নঙদি কমদৌরি হায়নসু হংদে। মহাক্লা মকোক খক নোল্লদুনা খঙহনবা পান্মী মদুদি নঙ অদুম ফাগি তৌ, ঐদি তৌরোই, মরমদি ঐ মথা শারি। মহাক অমুবা সনগ্লাস অমা উপ্পী, ঙকশমদা রেশমি রুমাল অমা য়েৎলি, য়াম্না তপ্না লাক্লগা ঙেক লাউনা ফমথখি। ঙাইহাক তুমিন্না লৈরম্মী।

শাফবা নহা অমনা মশা অদু ফন্দোক্লগা মশা ফৈ হায়না উৎলম্মী। খুনিংগী মথক্তা উচি মান্না তোংথোকইবা মসলশিং অদু উরকই। মদুবু য়াম্না নুংশিনা তোয়না য়েংদুনা রুপ্পন বাবুগী মনাক্তা লাক্তুনা ফমথরকই। নুপা অদুনা অমুক হন্না মমিৎ খল্লক্তুনা রুপ্পন বাবুগী লেংবানদা নাল্লদুনা হায়রকই, "কমদৌরিগে রুপ্পন বাবু! ঙসিদি ৱাখল নুংঙাইতবা মাল্লিদা।"

শিবপালগঞ্জদা পাউরৌ অমা মমিং য়াম্না চৎলি, মদুদি 'নুংশিবদা ঙাওজবা মীওইশিংগী ওইনা মমিং অহুম লৈ : নিংথৌ, বাবু অমদি শাফবা।' মদুগী মতুংইন্নদি রুপ্পন বাবুগী ওইনসু পাউরৌ অসি য়েংলুরগদি মহাক্কী লৈজরিবা ইমেজ অদু খরা খজিক শোক্লকপা য়াই। অদুবু শিবপালগঞ্জদা মসিসু মমিং চৎতবা নত্তে মদুদি অকনবা ৱা হায়নবগীদমক মহাত্মা গান্ধীগী মায়কৈদগী সরদার পটেলবু অয়াবা পীবগী মতৌগুম রুপ্পন বাবুনসু শাফবা নুপামচা অদুদা অয়াবা পীরম্মী। মরম অদুনা মখোয় অনীগী ৱারী-ৱাতাই অসি "অফাওবা মহাপুরুষশিংনা ৱারী শান্নবগুম্না" মতিক মগুন য়াম্না লৈ।

রুপ্পন বাবুনা মহাক্কী মরুপ অদুগী ঙাঙলি-শক্লিবা খোন্দা অদুদা থোইনা লুম্না লৌরমদে। মহাক অদুমক তুমিন্না ফমদুনা লৈরম্মী। কোলেজগী নুপামচা অমনা হায়, "ওজা, ঐখোয়বু করি তৌগদবনো হায়বগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা হায়বিদ্রি। রমাধিননা মীখলগীদমক থৱায় য়াওনা হোৎনরিবদু সনিচরগী ওইনদি কা হেন্না থৱায় য়াওনা হোৎনবা উদ্রি।"

রুপ্পন বাবুনা মীরোনবী নুপী অমগী খোঞ্জেলগুম্না হায়, "হৌজিক নিংথম থা অমদি কালেন থাগী ৱা অমত্তা লৈতে। মীখলগী রিজল্ট হৌজিক-হৌজিক্তা লাউথোকখিবতা ঙাইরি। সনিচরনা মীখল কাখ্রবনি।"

ৱাফম অদু তাবদা শাফবা নুপামচা অমদি কোলেজগী নুপামচাশিং অদু গ্যান মেন তাখিদ্রে। মায়কৈ মরিদগী মতৌ করম্না কাখ্রিবনো হায়বা ৱাহংতনা পীক থনখ্রে। সনিচরনা ভোট করম হায়না কাখ্রিবনো?

মমিৎ খৎলদুনা রুপ্পন বাবুগী মমান্নবা অদুনা হায়, "শাফবা নুপামচা নঙ হায়য়ুদনা সনিচরনা মতৌ করম্না ভোট কাখ্রিবনো হায়বদু?"

রুপ্পন বাবুনা চোকথরবা খোঞ্জেলগা লোয়ননা হায়রকই, মীখল মায়পাক্লবগী পান্থে অহুমখক লৈ : অহানবদা রামনগরশিং, অনীশুবদা নেৱাদাৱালী অদুগা অহুমশুবদা মহিপালপুরজি।

গাউ সভাগী মীখলদা রামনগরদা অমুক্তদা মীওই অনীনা ভোট লেপ্লি : রিপুদমনসিংহ অমদি শত্রুঘনসিংহ। মখোয় অনীমক কাষ্ট অমত্তনি, মরম অদুনা কাষ্ট অমগী মরক্তা ভোট খায়দোক্লখিবনা অৱাবা ওইখিবনি। অদুগা ঠাকুরগীসু চপমান্নবা ঠাকুর মশেল ভোট থেংনখিবনা কনাদা ভোট পীগদবনো অমদি কনাদনা পীরোইদবনো গ্যান মেন তানখিদ্রে। ঠাকুর নৎতবশিং অদুনা মখোয়গী জাতি নত্তবা মীওই অদুদা ভোট মতৌ করম্না পীগদৌরিবনো অমদি পীদ্রগা কমদৌবা হায়বা ৱাখলদা লৈনখ্রে। নুমীৎ খরনিগী মতুংদা মীয়াম্না খঙলকই মদুদি রিপুদমনসিংহ অমদি শত্রুঘনসিংহ অনীমক্কী মমিংগী অর্থসু চপ মান্নরম্মী হায়বদি য়েক্লববু চাথোকপা ঙম্বা কৈগুম ওইখ্রে। ৱাফম অসিদা খুঙ্গংগী মীওইশিং অদুনা প্রজাতন্ত্রগী চৎনদুনা লাক্লিবা চৎনবীগী মতুংইন্না কনাগুম্বা অমনা হেক্তা সভাপতি ওইসনু মদুনা মাঙজবা করিসু নত্তে অদুমক অমনা অমবু চানসনু হায়বা ৱাফমদা য়ানখি।

মীখল পাঙথোক্কদবা নুমীৎ মঙানিগী মমাংদা অসিগুম্বা ৱাফমশিং অদুদা থাজনরমদে। মরম অদুনা ভোট লেক্কদবা মীরেপশিংনা ভোট খোম্বা লাকপা মতমদা মী অয়াম্বনা 'ভোটনা করি কান্নবা পীগদৌরিবনো! মীরেপ অমদা হেক্তা ভোট পীরগা লোইরে' হায়নৈ।

ৱাফমশিং অদুগী মতুংইন্না মীরেপ ওইগদৌরিবা মীওই অনীদুনা ঐখোয়দা ভোট কনা অমত্তনা পীররোই হায়না খনখি। মদুদা পাখৎলদুনা মখোয়না প্রজাতন্ত্রগী মতাংদা ৱাফম কয়া হায়খি। মরম অদুনা মখোয় অনীনা ভোটকী মগুন অমদি মদুগী কান্নবগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনরম্মী। মখোয়না হায়, করিগুম্বা নখোয়না অদোমগী তাংলবা ভোট অদু অরানবা মীহুৎতা পীরবদি প্রজাতন্ত্র হায়বা পোৎশক অসি খুদোংথিনিংঙাই ওইরক্কনি। অদুবু মীওইশিং অদুনা ৱাফম অদুগী মতাংদা গ্যান তাবা ঙম্লমদে, গ্যান খরা খজিক তাবা মীওইশিংনসু হায়রম্মী মদুদি অরানবা মীদা ভোট পীরবদি প্রজাতন্ত্রদা করিসু মাঙজবা লৈতে, নখোয়না ভোট পীবা য়াই, প্রজাতন্ত্রগী ওইনদি মদুদগী হেনবা করিসু লৈতে। অরানবা অমদি অচুম্বা অদুমক লৈগনি ; থাজদ্রগনা লৈবাক অসিদা ওইরিবা ফীভম অসি অদুমক য়েংবিয়ু।

অসিগুম্বা ৱাফমশিং অসি শুপ্পগী মীওই অমা-অনীখক্তনা ঙাঙই, অদুবু প্রজাতন্ত্রবু নমথনবগীদমক্তি মদুনা অদুমক য়ারে। মরম অদুনা মীরেপ ওইরিবা মীহুৎ অনীদুনা মখোয়গী পল্লিসিটি তৌবগী মওং হোংদোক্লম্মী। প্রধানগী অধিকারশিংগী মতাংদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়রম্মী মদুদি খুঙ্গং অসিদা লৈরিবা শীজিন্নবা য়াদনা লৈরিবা লমশিং অতোপ্পা মীওইদা পীথোকখিবা য়াই অমসুং অতোপ্পা মীওইশিংনা লমশিং অদু লৌশিনখ্রবদি মখোয়বু মফম অদুদগী তাম্থোরকপা ফাওবা ঙমগনি।

'গোদান' উপন্যাস পারবা অমদি 'দো বিঘা জমিন' ফিল্ম য়েংলবা লৌমীশিংদি হান্নদগী অদুমক খঙই মদুদি লমবু য়াম্না হেন্না নুংশিজৈ হায়বা। মসিদা নত্তনা, মশাগী লৈজরিবা লম অদুদগী হেন্না অতোপ্পা মীওইগী লমশিংবুনা নুংশিবসু হেল্লি। লোয়ননা তাঞ্জা হেক ফংবদা অতোপ্পা লোন্ননা লৈরিবা লৌফমশিং অদুদা হেক মীতাবসু হেল্লকই। মসিগী ৱাখল্লোল অসি কোলোনিয়ননা পাকশন্না শন্দোরকপনা নত্তে, অশেংবা নুংশিবগী ৱাখল্লোল অদুননি। ৱাখল্লোল অদুগী মতেংনা মশাগী লৌফমদা ফমদুনা লৈরগসু শা-ষণনা থংনবা লৌফমশিংদা থাদোকই। চু চাগদবা লৈরবসু মশাগী লৌফমদা থারিবা চু চাবগী মহুৎতা থংনবদা অতোপ্পগী লৌফমদা থারিবা চু অদুগা থেক্লগা চাই। অদুগা অতোপ্পা মীওইশিংদনা য়েংউ ঐগী লৌফমদা থারিবা চু মীনা হুরানখ্রে হায়না। অমরোমদা মহাক্লা হায়রিবা ৱাফম অদুসু অরানবদি নত্তে মরমদি মহাক্কী থংনবদা লৈরিবা লৌফমশিং অদু মহাক্কী লৌফমগা অদুমক তায়নদুনা লৈরিবনি। অতোপ্পগী লন-থুমদা নুংশিবা ফাওবা হায়বসি হৌনশানি।

**মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা**

**ৱারী ককনাউ**

## শাজৌগী ৱারী

অঙাং ওইরিঙৈদগীনি ৱা ঙাঙনবা য়ারক্ত্রিসি। ঙসি ঙরাংগী ৱা নত্তে। পিশক পিক্লা মরূম কাই হায়না মথক থোংবশিংনা মনা লৈরগা লুখমদা খূৎপাক্লা থাবীবতদা শাজৌগী লুকখমসি পাক্তক তৌই। নোংমসু মথুন শেগাইরবা মোৎপদা লোইরবা খোঙগ্রাওদু কোচি তৎলবনিনা ফাজিনবা য়াদবদগী উরু-উরু লৈরগা য়েপশিল্লগা পেহৌ পেহৌ লাক্লগা য়াম্না মথ্বায় নুংঙাইতনা মাঙ্গোলগী উখোকতেন্দা ঙাদুনা ফনা কুইনা কপখি। কপ্পদা ৱামনবদগী উখোকতেন্দুদা ঙাদুনা ফনা কুইনা অমুক তূমথখি। মমানা অয়ূক কৈথেল কাখিবদু হল্লক্লগা ইমুংদা থাংজিনবীদুনা ঙাইহাক ফমুংদা তূমহল্লি। চাক লোইরগা হৌদোক্তুনা পীজখি। মচিংসু য়াম্না ফত্তবা অঙাং অমা ওইনা হৌরকই। মীনা লাকচবসি মহাক য়াম্না য়াদে। লমন হেক্তা খুমনীংবগী ৱাখলসি লৈরকখি। লাইরিকসু নীংথিনা তম্লক্তে, মাবু লাইরিক তমহন্নবা শেল মমানা থাদবা ঙমদে, অদুইসু মথক্তা লাইরিক্তা থৱায়সু য়াম্না য়াওরক্তে। ক্লাস ফাইভকা তম্বা মতমদা ক্লাসতা মথুন লৈতানা ঙাইহাক্তা ফমনীংদে। পড়া ফাদবগী ওজানা মখোঙ নাম্মা থাঙ্গৎলগা না পায়রগা লেপহনবা, মখূৎতা শাজৈনা তরা-তরা নুংতিগী ফুবদু মা পামদে। অদুনা য়ারিখৈ স্কুল চৎতনবা কদর তৌই। চৎলসু মশা নুংঙাইতে, য়ূমদা অদু লৈ, অদা লৈ হায়না ওজাদা হায়জিন্নরগা ছুটি লৈথোকই। ওজাদা হায়জিন্নবা ৱা লৈরক্তবদগী, অবোক্কী হৈজিংপোৎ লৈ হায়না শোয়দনা হায়রুবদগী ওজানা "করি নবোক্কী হৈজিংপোৎ কায়না" হায়রগা তপ তাখৈ ফূবিখি। নোংমনা 'ইপুগী না হুৎপা লৈ ছুটি লৌজগে" হায়রুবদগী ওজানা নুমিৎ চূপ্পা অমা ছুটি থাদ্রিফাও স্কুলগী লম্পাক্তা নুংশাদা য়াইফৌ ফৌখি। মঙাও থিখ্রবা শাজৌনি।

শাজৌনা শেৎলিবা খোঙগ্রাওদো মমানা অনীরক শুরে, উতিদা তিংলগা শুগদবগী শাজৌদা,

"কদাই খোঙগ্রাওদু লৌথোরকউ, শুবীগে"

"য়ানি মোৎতে"

"কুম্বং কাখৈ মোৎলবা মোৎপদা ককই থাংলবা খোঙগ্রাওদু মোৎতে হায়বা?"

"য়ানেবা, ঐ শুজগে"

"নঙনা হৈরোইনে"

"হৈনি" হায়রগা চাওরবনিনা খোঙগ্রাওদু লৌথোকপা ইকায়বদগী চেনখি। মমাসু মাগী মতৌদু খঙবনিনা নোকফেৎ তৌরগা লৈহৌই। তৌবগীবুদি, শেৎলিবা খোঙগ্রাওদু শুরিঙৈদা অমা হোংদোক্তুনা শেৎনবা অতোপ্পা খোঙগ্রাও লৈতে। শুগে হায়রগনা ফমুংদা ফৈজুপ মনুংদা খোঙগ্রাওদু কংবা ঙাইদুনা হিপ্পগা লৈবা তাবা। মতমদুদা শেৎনবা খুদৈগা লৈবা নত্তে। অমত্তা শিনবীগে হায়বসু লায়রবী মমা লুখ্রাবীনা ঙমজদে। ৱানা হৌজরকপনি। মমা শিখ্রবা মতুংদা, শাজৌদু শুফম নোমফম খঙদবদগী মীগী রিক্সো ৱাইরগা ফনা কুইনা থৌরম্মী। ফনবু নুংঙাই, অয়ূক্তগী থোরক্লগা রিক্সো থৌরগা, চাকসু হোটেলদা লুপা তরানা পুক থনবা মফম থিরগা চগা ওইনা তৌবদু মপুক তিক তিক লাওখৈ চারগা ঈশিং পিক থন্না থকচিনবদো। মতমদুদদি পাখঙগা ওইবনিনা, মহাক বজার ময়াদা থৌদে, মরমদি মহাক রিক্সো থৌবদা মমায় খুমজিল্লি, ইকায়জবদগী। বজার ময়াদদি পুলিস লৈবনিনা হেক্তা ফাবী, শেল লৌবী। অদুনা বজার ময়াদি কয়া থৌদবনি, অদুবু তঙাইফদনা পেসেঞ্জরনা থিনবীরম্মো হায়রদি মা অদুম থিনবী। মতমদুদা য়াম্না শাথীবা পুলিস এস আই অমা লৈরম্মী। ৱা হায়দনা রিক্সো খাম্মগা মমায়দা খূপাক্লা শেৎ শেৎ হেক্তা থাবা।

"করিগীনো নমায় খুম্মগা রিক্সো থৌরিদি"

"সর ঐ ইকায়বদগী খুম্বনি"

"য়াদে, নমায় নমিৎ খুম্মগা রিক্সো থৌবা য়াদে"

অদুদগী শাজৌদু মমায় খুমদনা য়াম্না ফোঙনা রিক্সো থৌজরকপনি। অদুবু ওটোরিক্সো ময়াম অমা থোরকপদগী রিক্সো তোংবীনবা মী লৈখিদ্রে, তপ্না তপ্না মাগী শিনফমদু থাদোরকপা তারক্লে। থৌরুরসু লম্বীদা টায়র হোরকপদা, য়ারক্তবদা শেম্বীনবা ৱার্কশোপ অমত্তা লৈখিদ্রে, অদুনা রিক্সো থৌবা তোকখিবনি। নহান নোংমদি শাজৌদু পুলিসনা ফারে।

"করিগীনো নমায়দু মাস্ক উপ্তুনা থোরক্লিসি, শিরগেরা? নঙতা শিবতা নত্তনা ঐখোয় লোইনমকসু হাৎলগেরা? ফাইন থিবা তাবনিনে হা!"

শাজৌ ৱাখলগা পুংপঙ পঙশিনখ্রে। মমাঙঙৈ রিক্সো থৌরিঙৈদা মমায় খুম্বদনা করিগী খুম্মিনো হায়না ফূবিবা, ঙসিনা খুমদবগী ফারগা ফাইন থিয়ু হায়রবা।

"সর ঐদি ফাইন থিনবা শেল য়াওজদে,"

"অদু ওইরগনা ষ্টেসন্দা চৎপা তাবা"

"সর অদুমাইনা তৌবীনু, ঐসে মায় খুম্বগী খূপাক য়াম্না চাখ্রবনি, ঙসিনা হাংদোকপগী অমুক ফূবিগে হায়রসু ফূবিয়ু, শেলদি লৈজদে। চেঙ ৱান্নিংঙাই শেল লৈতবদগী ঐগী মরূপ অমগী মনাক্তা চৎলগা শেল খজিক্তা নিরুগে থোরকপনি, ঐ শেল য়াওজদে"

পুলিসতু শাজৌগী ৱা তাবিখিদে, অচৌবা অমা চঙশিল্লক্তুনা শাজৌদু মথুন্দা চৈনা শেৎ শেৎ কল্লগা, ফাইন থিনবা চৈ থাংদুনা ঙাঙই।

"মাস্ক উপ্তুনা থোকপা য়াদে হায়সি নঙ খঙদ্রা?"

"খঙলবসু ঐদি মাস্ক লৈনবা শেল লৈতে"

"মাস্ক অমা লৈবদা নঙ শিরদ্রা"

"শিবগী ৱা তোক্লগা, ঐ ঙরাং অয়ূক্তগী চাক থোংদ্রি, চেঙ মরূ অমত্তসু লৈতে, করম্না মাস্ক লৈগনি"

চৈ থাঙ্গৎলম্বা পুলিসতু শাজৌদা মুন্না য়েংলগা চৈ থাদরকই। নাকন্দা পুথোক্লগা ফুরিৎখাওদগী লুপা চাম্মা লৌথোক্লগা শাজৌদা পী, "সে সে সিনা চেঙ ৱাল্লুরো, অদুগা মাস্ক অমা অনীগা লৈখো"

"য়ারনি সর, ঐ মরূপ অমদগী পুরুগে থোরকপনি"

"হোয়নে, অদুসু চৎলু, অদুবু মাস্ক য়াওদনা চৎলদি অশ্বাইদা অমুকসু ফাবিরনিনে। সে লৌরো অদুগা চৎখ্রো"

শাজৌ মমিৎতা মপি তারকই। শেলদু লৌরগা হন্না হন্না পুলিসতুদা য়েংলগা চৎখি। পুলিস ওফিসরদু ফুরিৎখাওদগী সেনিটাইজর অমা লৌথোক্লগা মখূত্তা কাপ্পগা তৈথোকই অদুগা রুমাল অমা অমুক লৌথোক্লগা মমীৎ অনীমক্তা নানখি।

-*নরেন্দ্র নিংঙোম্বা*